# টাইৱানগী পুলিস

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

নোংমা ঐহাক্না য়ুনিভর্সিটি ক্লাস লৌবা লোইরগা য়ূমদা হল্লক্তুনা ঐহাক্কী মোটোরসাইকলদো খামগে হায়না তৌরিঙৈদা সোরোক্তা পুলিসকী সাইরেন খোংবা তাই হায়দুনা মায় লৈথোক্তুনা য়েংলুবদা মোটোরসাইকল তোংবা পুলিস অনীখক্না পোৎ হোনবা ত্রক মচা অমখক্কী মতুংদা ইন্নরক্লম্মী মখোয়গী সাইরেনদো খোংদুনা। তাঞ্জাদুদা ঐহাক্না ত্রক অদুদগী এঙ্গাং-নাপি হাপ্নবগী প্লাষ্টিক্না শাবা পোলাং মরি/মঙা সোরোক্তুদা তারকপা উরম্মী। পোৎ তাহৌবগী মখোলদু তাবদগীরা নৎত্রগা পুলিসনা সাইরেন খোংবদু তাবদগীরা খঙদে ত্রক ড্রাইভরদুনা লম্বীগী চিদাই ওইরপনা খামদুনা কুমথরক্লগা মহাক্কী পোলাংশিংদো খোমগৎনবা হোৎনরম্মী। তাঞ্জাদুদা লমজাওদুদা চৎলম্বা হায় স্কুল তল্লিবা মহৈরোয় খরসু লম্বীদা তারিবা পোলাংশিং অদুবু খোমগৎতুনা ত্রক ড্রাইভর অদুদা শীন্নরম্মী।

পুলিস ওফিসর অদুগা লাকমিন্নবা অতোপ্পা পুলিস অমদুদি মাগী মথৌ তৌনবা মহাক্কী মোটোরসাইকল অদুদা মখা তানা থৌদুনা চৎখি। সাইরেনকা খোংলগা ইন্নরকপদুদা করি তৌগদৌরিবনো খঙনীংদুনা ঐহাকসু ঙাইহাক লেপ্তুনা য়েংদুনা লৈ। ঐহাক্না য়েংলিবদুগী মরমদি ঐখোয় ইরমদমদা তোয়না থেংনবা পুলিসনা মীচম মীয়ামদা চৈবা, থীনা তৌবা অমদি শেল লৌথোকপগী চৎনবী লৈবদুদা টাইৱানগী পুলিস অসিনা ত্রক ড্রাইভর অদুদা করি তৌগদৌরিবনো হায়না খঙনীংলুবগীনি। ইরমদমদা চাউরকপনিনা য়াদে করিগুম্বা অমা হেক থোকপদা হেক্তা নীংশিংলকই ইরমদমদা থোকপা থৌদোকশিং। পুলিস ওফিসর অদুনা ত্রক ড্রাইভরদুদা করি হায়গদৌরিবনো, চৈবীগদৌরিব্রা, শেল থিহনগদৌরিব্রা, লম্বীদা পোৎ নিংথিনা হাপ্তদুনা তাহন্দুনা খুদোং থীবা থোকপা য়াবগী ফীভম ওইহনবগীরা হায়দুনা ঐহাক মখা তানা য়েংলম্মী। অদুবু ঐহাক্না খল্লুবগী ওন্ন-তৈনবদা লম্বী লমজাওদা তারিবা পোলাংশিং অদুগী মনাক্তা মহাক্কী মোটোরসাইকল অদু থৌজিন্দুনা খুনগৎলগা ত্রক অদুদা হাপচিনবীরে অদুগা পোৎচৈদো তাদনবা নিংথিজনা হাপ্পগা থৌবীয়ু হায়না হায়বগী মওংদা ৱাহৈ অমা অনী হায়রল্লগা অদুম মথৌ তৌনবা থৌদুনা চৎখি। মতাংসিদা ঐহাক্না থমজনীংলিবদি ঐখোয়গী ইরমদমদা ওইরবদি পুলিস অনীদুনা শোয়দনা ত্রক ড্রাইভর অদু থীনা চৈবিগনি লাউ খোংদুনা। অসুম্না চৈবিরবগী মতুংদা মখোয়না কিহন্দুনা পোৎ চৈ নিংথিনা হাপ্পগা গাড়ী থৌদে, হা অদু তৌদে, খুদোং থীনীংঙাই ওই, চে চাং য়াওব্রা হায়বনচিংবা ৱাহং কয়া হংদুনা মরাল কয়া পীশিন্দুনা শেল লৌহৌনবা শোয়দনা হোৎনগনি। মসি হায়জবগী মরমদি অশোয়বা করিমত্তা য়াওদ্রসু ইরমদমগী পুলিস অয়াম্বনা অচৎ অওক্তগী নমদুনা শেল লৌবগী চৎনবী লৈবা অদুননি।




অদুবু মসিগী ওন্না তৈনবদা টাইৱানগী পুলিস ওফিসর অদুনদি চৈবা খোৎপগী মহুত্তা, শেল লৌথোকপা য়ানবা মরাল কয়া পীশিনবগী মহুত্তা লম্বীদা তারিবা পোলাং ফাওবা খুনগৎতুনা মতেং পাংবী অদুগা য়াম্না চীং লেম্না পোৎ চৈ নিংথিজনা হাপ্তুনা থৌবীয়ু হায়রল্লগা চৎখি মখা তানা মথৌ তৌবা। অসুম্না ঐখোয় ইরমদমগী পুলিস অমদি আর্মি পর্সনেলশিংসু চীং লেল্লবা, মথৌ নিংথিনা তৌরবা করিগী পুলিস লাকই হায়দুনা চেনলুগনি, করিগী পুলিস ষ্টেসন্দা লৈবদা হৈনদবা ফাওরুনি। টাইৱান্দদি করিগুম্বা য়ূম মনাক্তা পুলিস ষ্টেসন কা লৈরদি য়াম্না সেফ ওই হায়না হরাউনৈ। অদুগা পুলিস ষ্টেসন্দা চঙদুনা করিগুম্বা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎপদসু অসুক্কী মতিক থুনা য়াঙনা থবক লৌখৎলি পুলিস ষ্টেসন অদুনা।

টাইৱানগী পুলিসশিং অসিনা মথৌ কয়া নিংথিনা তৌবগে হায়বগী খুদম মচা অমখক পীজগে মতাং চারিঙৈসিদা। নোংমা ঐহাক্না য়ুনিভর্সিটি ক্লাস লৌরিঙৈ ঐহাক্কী লোয়নবীনা ঐখোয়গী অনীশুবা ইচা ননাওসে মখোয়না ফাজিন্দুনা থম্লে লুপা লাখ ১৮ পীদ্রদি মখোঙলা মখূৎলা অমা ককথৎলগা থারক্লনি, হৌজিকসু মহাক ফূবদগী ঈ-নাই তাদুনা লৈরি হায়না কিহল্লকই, লোয়ননা ৱা য়াম্না কাকনা ঙাঙবা নুপা অমনা। মদুগী মরমদি ননাওগী মমান্নবা অমনা মখোয়দগী শেল পুরগা শেল শিংদোক্তুনা মাঙখ্রে অসিনি। শেল পুবদুদা ইচা ননাওনা সাইন তৌখিবনা শেনফম অদু মহাক্না শীংগদবনি অসিনি। মতমদুদা ঐহাক্কী লোয়নবী চনিংলৈমনা মচা নুংশিমনখিদুনা পাখৎতুনা হৌজিক্তি শেনফমদো লৈতে অদুবু বেঙ্কতগী পূরগা নৎত্রগা সনা লুপা ওইনা হান্না খরা শীংলগে হায়না হায়বদা ফরে অদুদি হোরেন নুংথিল পুং ১.৩০ অদুৱাইদা লাক্লগে অদুগা পুলিসতা পাউ পীগনু হায়না কিহল্লক্লম্মী। মদুদা চনিংলৈমনা হোয় হায়দুনা ফোন থম্লে।

খুদিংমকসি খঙলবা মতুংদা ঐহাক্না পুলিসতা পাউদু পীদুনা অচুম অরান থিগৎহনবনা চুমগনি হায়রুবদা চনিংলৈমনা মদু ইচা ননাওদা ফত্ত-নুংদা থোক্কনি হায়দুনা য়ারমদে। অদুবু ঐহাক্কী ৱাখলদদি পুলিসতা পাউ পীদুনা তানবনা চুমগনি খন্দুনা চনিংলৈমা খঙহন্দনা ঐখোয় য়ূম মনাক্তা লৈবা পুলিস ষ্টেসন অদুদা চঙদুনা পাউদু তম্মে। মদুদা পুলিস খরনা মরীক চুম্বা ৱাফম খঙননবা চনিংলৈমা উনদুনা ৱারী শাবা পাম্মী হায়বদা মহাক্নদি পুলিসতা পাউ পীবসে পীগনু হায়রকই হায়না তম্বদা মখোয়না করিসু কায়দে চনিংলৈমগা উনহল্লু হায়রম্মী। খুদক্তা নুপী পুলিস অমগা নুপা পুলিস অমগা লোয়ননা ঐখোয় অহুম পূন্না মখোয়গী পুলিস কার তোংদুনা লাক্লে চনিংলৈমগী স্কুলদা। স্কুল য়ৌদুনা চনিংলৈমগা উনদুনা ৱাহং পাউখুম তৌনদুনা চনিংলৈমগা ৱারী শান-শাননা নুপা পুলিস ওফিসর অদুনা চনিংলৈমদগী লৌবা ননাওগী ফোন নম্বর অদুদা ফোন তৌবদা ননাওনা মহাক টাইপৈদা থবক শূরি হায়না পুলিস ওফিসর অদুদা হায়রকই। ঙসাই চনিংলৈমদা ফোন তৌরকখিবা মীওইশিংদো শাজিন্নদুনা শেল লৌথোকপা কাঙলূপনি হায়বদো হৌজিক খঙবা ঙম্লে পুলিসশিং অদুগী মতেংনা। মসিনি টাইৱান পুলিসশিং অসিগী মথৌ য়াঙনা, নীংথিনা, থম্মোয় শেংনা মথৌ তৌবগী চৎনবী। মরম অসিননি টাইৱান্দদি পুলিসকী মনাক্তা চঙবদা, ৱারী শানবদা মীচম মীয়ামগা ৱারী-ৱাতাই শানবগা চপ মান্ননা ফাওরিবা ঐখোয়গী থম্মোয়দা।

লোইশিল্লকপদা ঐহাক্না থমজনীংলিবদি টাইৱানগী পুলিসকুম ইরমদমগী পুলিসশিংসু মথৌ খঙনা, নিংথিনা, থম্মোয় শেংনা তৌরবদি করিগী মখোয়বু হঙ্গৈইনা খল্লুগনি। মসি পুলিস পর্সনেলশিংখক্তগী ৱাফম নত্তে, অতৈসুনি। হৌজিক পাল্লিবা ইরমদমগী সী এমনা য়াম্না তোয়না পনবীবা অমা লৈ মদুদি ইরমদমগী মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিংবু ইকয়খুম্নবীয়ু হায়দুনা। অদুবু হংজনীংলিবা ৱাফমদি হায়রিবা মীওইশিং অসিনা অতোপ্পনা ইকায়খুম্নবীনবা মখোয় মখোয়গী মথৌ নিংথিনা, শেংনা, য়াঙনা তৌব্রা হায়বা ৱাফমসিনি। অতোপ্পনা ঐখোয়বু ইকায়খুম্নবীবা নৎত্রগা তুকৎচনা উবীবা হায়বসি ঐখোয় ঐখোয়না থোকহঞ্জবা ঙাক্তনি। ●

# ঈ এস সুন্দরগী নোভেলদা ৱাতম অমা

- ইবুংঙোসনা -

কাওশীংগীবু পল্লেপফম খঙবরা
ঈচেলনা পুবা মায়কৈদা
ঙাক্লৌ লৈতা চেন্থবনি,
ঈহলদা ঙাইহাক লম্বল্লসু
তন্নমুক ঈচেলনা পুথখিনি
কাওশীংগীবু লৈতাফম লৈগদ্রা?

ঈকোবোরোগী মপারী ঈ এস সুন্দরগী ৱারী-লীশাং (নোভেল) লাইরিক কাওশীংদা য়াওরিবা *গঙ্গা* হায়বা অসি ইন্দিয়াগী উত্তরখন্দ ষ্টেটকী নোংচুপ থংবা হিমালয়দগী হৌরক্লগা বাংলাদেশ ফাওনা চেনখিদুনা বে ওফ বেঙ্গলদা ঈতিনখিবা *গঙ্গা* কৌবা তুরেলগী মমীংদু নত্তে। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা বংলাদেশকী অপিকপা মৈতৈ খুল ভান্দারিগাউদগী হৌরক্তুনা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী ম্যান্মারগী ঙমখৈগা তাইনবদা লৈরিবা লমলেন মোরে তম্না চেন্থরকখিবা পুন্সি ঈচেলগী অকনবা ঈরৈনা পুথরকখিবা কাউশীংগী মশক ওইরবী নুপীজা অমগী মমিংনি *গঙ্গা* । মাগী পল্লেপফম খঙদ্রবা পুন্সি অদু য়েক্তুনা মাবু প্রোটাগোনিষ্ট ওইহন্দুনা শাগৎপা ৱারী-লীশাং অমনি *কাওশীং* ।

ইনখৎলকপা তানফম ওইবনা পুন্সিগী অরুবা মচৎপু থোইনা খন্থরুদনা মরৈবাক্কীদমক কথোক্লবনি হায়না চঙশিল্লিবা য়াওল্লোই, লেফটিনেন্ট মালেমগী মতুং ইন্দুনা য়ূম্বাল লম্বীদা খোঙদারকখিবনি গঙ্গা, অদুবু মপুরোয়বগী তংদু লৈতাদ্রবা পুন্সিগী মৈশাদি চমজরবী গঙ্গাগী মথক্তা তাখি। সিফাইশিংগা খূৎ থোক্লবা অমদা মপুরোয়বা লৈখিদে। লুখ্রাবী ওইনা লেনবা তাখি। অমরোমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লান্মী কেপ্তেন পি কে (পি কামৈ) সু লালহৌবশিংগী লান্দা অমদা মাগী লোয়নবী নিংচুইবু থৱায় পিখম্নহনখিবগী লালহৌবশিংগী মথক্তা লমন খুম্নিংবগী ঈথিল অমগা লোয়ননা চঙশিল্লকখি। তাঞ্জানা পি কেনা গঙ্গাগা শকখঙনরুই। পি কেনা নিংচুইগা শকমান্নবী গঙ্গাদা পূক্নিং লুপ্লুই। অমরোমদা, লৈখিদ্রে খল্লুরবা মালেম হিংদুনা লৈরমখি। গঙ্গা তোঙান তোঙানবা মীৎয়েংদগী লৈবাক নীংবনি খঞ্জবা মুক্লবা লাল্লোই অনীগী মরক্তা কঙাওনখি, নুংশি নুংওনগী ত্রাইঙ্গল অমনি। ... মসিনা ৱারীগী ৱানি।

অইবনা অপাবশিংদা উৎপা পাল্লিবসিদি ৱাফমসি নত্তে। মহাক্কী চরিত্রশিং অসিগী খূথাংদা মণিপুরগী খুঞ্জাশিংগী মতম অমগী তংদু লৈতাদ্রবা, পুন্সিদা থোকহৈদবা অৱাবা থৌদোক কয়া থোকখিবা পুন্সিগী তাঙ্কক অমা অপাবশিংদা থম্মোয় থূন্না থিনগাইদুনা পাউজেল পীনবা থৌওইনা শেন্বা অশেন্বা ৱারীনি। পংকুই কুইদ্রিঙৈ মতমগী ৱারীনি। মণিপুরগী খুঞ্জাশিংগী পূক্নিং ৱাখলদা হৌজিকসু লোয়না মমি লৈরি। ঐখোয় নীংতম লান্মীনি হায়বা মিংদা লূপ কয়ানা কন্না লালহৌ তৌরকপা অদুগা লৈঙাক্কী নাকন্দগী মখোয় অদুবু লালহৌবনি হায়দুনা লান্মীগী শক্তি শীজিন্নদুনা নমথনবা অরোয়বী থাদুনা হোৎনখিবা মতমদুনি। নীংতম লান্মী অমসুং লৈঙাক লান্মী অনীগী তকখায়নরকপদা খুঞ্জাশিংদি কোক্তা খূৎ হাপ্নবা হায়বদু ওইখিবনি। মতমদুদা থম্মোয়দা ফাওনখিবা থম্মোয়গী অকি-তুজুংবা মপাউ অদুনি লাইরিকসিদা অইবনা পাউদম্নিংলিবসি।

লাইরিক অসিদা উরিবা অসি অইবগী সাইকোলোজিকেল দিবেট অদুনি। অইবনা গঙ্গাগী চরিত্র শেল্লিবা অসি মাগী নুংদা লৈরিবা সাইকোলোজিকেল ট্রোমা অদু উৎনবা থৌওইনা হোৎনবনি। গঙ্গাগী কোক্তা থোকপা চয়েৎনবা অদু অইবগী কোক্তা থোকপা চয়েৎনবনি। অইবগী ট্রোমা অসি মহাক মতোমতগী ট্রোমা নত্তে, মতমদুগী খৃষ্ট কুম ১৯৭০দগী ১৯৯০ ফাওবা অদুৱাইগী মণিপুরগী মীয়ামগী সাইকিদা লৈবা চনৈনবা মতৌ অদুনি।

অইবনা মতমদুগী নাক অনীগী মরক্তা মুক্লবা অদুবু বাইয়স লৈতনা য়েংনবা হোৎনৈ। মহাক্না নাক হেক চারুবদা অইবগী গুন মাঙখিরম্বা য়াই। গুন মাঙখিবদি তোকখ্রগা অইবগী থৱায় ফাওবা পোন্থা ওইবা য়ারিবনি মতমদু। করিগুম্বা অমতং মীচম অমনা নাকল অনীমক্তা ৱাকৎলুবা ঙম্বা নত্তে, ফ্রিদম ওফ এক্সপ্রেসন হায়বদু মিংতগী ৱানি।

নীংতম লালহৌগী থিওরিশিংদা সোসিএল রেভল্যুসনগী তঙাইফদবা মচাক অমা ওই হায়না লৌনরিবা ওবজেক্টিভ ফেক্টরগী মনুং চল্লিবা রেভল্যুসনরী সিচুএসন হায়বদু মরোমদোম মমুন ফাবা ঙাইগদবনি হায়বা ৱাফম অদুগা অমরোমদা মসি শেমগত্তুনা মমুন ফাহনবা য়াই হায়না য়েৎনবা লৈবা মতমদুদা, মসি শেন্বা ওইথোকই হায়বরোমদা হেন্না চঙশিল্লকপা মতম ওইবনা খুন্নাইসিদা য়াম্না লাঙবা মতমনি। অদুগা মণিপুরগী ফীভম অদু মরিপুরগী নেসনল লিবরেসনগী মমিসু তাবা মওং ওইখি। য়ুনিফোর্মশিংদা লান্দাবা, ফন্দগীদমক শেল খোমগৎনবা হোৎনরকপা, প্রোপেগন্দা হেনগৎলকপা, খুঞ্জাশিংদা প্রেসর পীরকপা, রিএক্সনরিশিং থোক্লকপা, কাউন্টর রেভল্যুসনগী শাগৎলকপা, নীংতম লালহৌশিংগী মরক্তা ফ্রেক্সন থোক্লকপা, ফেক এনকাউন্টর লাকপা, ষ্টেট টেরোরিজম থোক্লকপা চয়েৎনবা কয়ানা খুন্নাইসিদা মহুম শাজিল্লকপা, মতমদুনা তূংদুনা লৈখিবা খম থেংবা অকিবগী মশক ওইরবা অৱাবা মতৌ অদু অইবনা মাগী ৱারী লিশাং অসিদা উৎনবা হোৎনবনি। নাক অনীনা মখোয় মখোয়গী অচুম্বনি হায়না থাঙ্গৎলিবা ৱাফমশিং উৎনবা হোৎনবদা মখোয়গী মনীংদা লৈরিবা মোটিভ অদুসু উদবা য়াদবা লাকই। অদুনা অইবনা নীংতম লালহৌবশিংগী মরমদা মখোয়গী অপাম্বদু কূপ্না ইবা তারকই। অদুনা কনাগুম্বনা অইববু লালহৌবশিংবু এদভোকেট তৌবা ওইনা উবসু য়াই। অদুবু অইবনা য়ারিমখৈ মীচং মীখাই নাইদনবা হোৎনৈ। মহাক্না উৎনীংলিবদি অনীগী অচুম অরানগী ৱায়েল অদু নত্তে। মখোয়গী তকখায়নবা অদুনা মীয়ামদা পীরকপা অৱাবা ঈথিল অদুনি।

'কাওশীং' ৱারী-লীশাং অসিগী প্লোট শেন্বদা চেকশিনবগী মওং উই। সেট্টিং ফজনা তৌই। মাগী ৱারী খূৎলি অসি অইবা মশামক ওম্নিসিএন্ট নেরেটর অমা ওইনা লীবগী মওংনা মপুংনি। মসিনা মাগী চরিত্র খুদিংমক্কী থম্মোয় কাচিন য়ৌবা ঙম্না উই। ৱারী লোইশিনবগী মওং ওপন এন্দংনি। অইবশিংদা পোলোই ওইগদবা ৱাফমশিং শিন্নথোকপনি। সস্পেন্দা লোইশিনবনি।

মপুরোয়বা কায়নরবী, য়ূম্বাল পুন্সিগী নুংঙাইবা শরুকমখৈ মৎপীখ্রবী অমগা মরাল লৈজদবী লোয়নবীবু খুন্নাইগী লৈতাদ্রবা ফীভম অমনা পিখম্নহনখ্রবা, লমন খুম্নিংবনা ঙাওরবা অমগা-ঙাওরবী ঙাওরবা লৈই অনীনা বিন্দু অমদা উনরুবগী ৱারীনি। খোইদ্রিং খোইদ্রাং লাকপা লৈই অনীবু থেংনহনবনি।

তৌবদদি ক্লাইমেক্সতা লোইশিনবগী মহুৎ এন্টি ক্লাইমেক্সতা লোইশিনবগুম উহল্লি। অইবনা প্রোটাগোনিষ্টকী হৈশিংবা কৈনৌ ৱায়েল অমতং উৎনীংবনা ওইবা য়াই।

অইবগী দাইলোগ অসিদি চরিত্র তোঙানবগী মতুংইন্না তোঙান্নবা উবা খরা ৱাৎলি। মী অমনা মতোমতা অৱাই অখুম তৌবগুম উই। দাইলোগতা করেক্টর চেলহনবা ৱাৎলি। কেটুকীগী দাইলোগতি করেক্টর চেল্লি। মখুম পূক্নিং ফাবা ৱাৎলি। অদুবু মপূংদা য়েংবদা হেন্দোক্লা ফরবা লাইরিক অমনি *কাওশীং* । লুরিবদি লাতম মচাসিদা চাউরবা লাইরিক অসি নৈনবা ওইরোইদবা ৱানি। রিন্দা পব্লিকেসনসু নীংথিনা কূপ্না হোৎনবগী মমি তাই।

অদুগা ঈ এস সুন্দরগী *কাওশীং* ৱারী লীশাং অসিগী মতুংদা ফোঙলকখিবা লাইরিক *কংলাগী মৈরী* অসিসু *কাওশীং*গী খুদুং ইন্না চপ মান্নবা লিক্লমদা পুথোকপা খূৎপুথোক অমনি। লানঙম্বা কৌবা চরিত্র অমদা ইপিসেন্টর ওইদুনা ৱারী শাগৎলকপনি। অইবগী মীৎয়েং মনাক নকপা অকোয়বদা নৈশিন্দুনা লৈবা পাম্লক্তে। মীৎয়েং পাকথোক চাউথোক্লকই। সেট্টিংগী এরেনা পাকথোক্লকই। করিগুম্বা *কাওশীং* হায়বসি পারবা মতুংদা *কংলাগী মৈরী* হায়বসিগী মতাংদা হায়বা য়াবসি অইবনা আশা অমগা লোয়ননা অপাবশিংগী পূক্নিং হুনবা কন্না হোৎনবা *কাওশীং*গী অতোপ্পা ভর্জন অমনি হায়বা য়াই। শ্রী লঙ্কা, দেল্লী, চেন্নাইনচিংবদা য়ূম্ফম থোন্দুনা মালেমগী থাক্কী ৱারী শাগৎলকই। হায় রেঙ্কিং ওফিসরশিংগী করেক্টর য়েক্লকই। তশেংনা *কংলাগী মৈরী* অসিসু আর্ম কনফ্লিক্টতা য়ূম্ফম ওইবনি। অইবনা পীনীংলিবা পাউজেলদি চয়েৎনবা অসিগী পোলোইনা কান্নবা করিসু পুরক্লোই হায়বসিনি।

লম্মীৎ-তুমিৎ য়েকপদা টেবলদা ফম্লগা হেক্তা ৱাখলনা শাজন্দে, কূপ্না থিগৎহল্লগা তৌবগী মমি তাই। মরুপ-মপাংদগী লৌশিং খোমজিল্লবা মতুংদা অইবনা নৈদুনা মমুন ফানা তোৎলগা চাবদা হাউগদৌবা মওংদা পুথোক্লকপগুম্বনি। ঈ এস সুন্দর মীরক তিল্লবা অইবনি হায়বদা করিসু নুংনাংবা ফাওদ্রে। মাগী খূৎইগীদমক থোঙাম উধব নীংশিং মনা, মাইবম ওংবী বিমোলা নীংশিং খোরিরোল মনা অমসুং ডা. খোইরোম তোমচৌ নীংশিং সাহিত্য মনানচিংবা পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রে। ঈ এস সুন্দরগী লাইরিকশিং মাগী মতম অসিগী খুন্নাইগী মশক অমগীদমক তুংগী মীরোলনা খোঙগুল লীরকপদা শোয়দনা থিনরক্কদবা লাইরিকশিং ওইরবনি। অইববু হেন্না পূক্নিং থৌগৎফম থোক্লি। মখা য়ূম্ফম হোংদুনা ইরকখিবা ওইরসনু। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## হৌজিক্কী মতমদা লুহোংবা, যজ্ঞ্য অমদি শোরাৎ

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ইরমদম মণিপুর অসিদা হৌজিক চৎনরিবা লুহোংবা, যজ্ঞ্য অমদি শোরাৎ অসিদা চঙনরিবা শেনফমশিং অসি ইনাক কৈরাক খুনবা কাঙবুশিংগীদি করিসু লৈতে খল্লম্বা য়াই। অদুবু লায়রবশিংগীদি অৱাবগী মশকনি। মসিদা মখোয়না লায়রবা নখোয়গী অঙম্বা খরা তৌজবা য়াই, ইনাক খুনবা ঐখোয়গী তুং ইনবীয়ু হায়দে হায়না খল্লম্বা য়াই। হৌজিক্কী মতম অসি সাইন্স অমদি কম্প্যুটরগী মতমনি। অদুনা শেল পায়বনা পায়বগী থৌদোক, পায়দবনা পায়দবগী থৌদোক মসিদা কনাগুম্বনা ৱারৌফম, নুংঙাইতবা খনফম থোক্তে খল্লম্বা য়াই। লৈকায় অমদা লৈমিন্নবা, লায়রবা অমদি ইনাক খুনবগী থৌদোক ৱাথোক মরু ওইনা লুহোংবা, সোরাৎ, যজ্ঞ্য অসিনচিংবা কয়া থোকপদা চেবাউ ককপদি য়াদবনিনা চেবাউ তৌনরি। অদুবু লায়রবনা ইনাকখুনবগী থৌদোক্তা পোৎয়েং চাউনা পীবা ঙমদে। ভাবোক্তা, পালাদা শেল থাবা ঙম্নদে। লায়রবগী থৌদোক্তদি ইনাক খুনবনা পোৎয়েং চাউনা পীবা, ভাবোক্তা শেল থাবা, পালাদা শেল থাবা তৌনরি। মরু ওইনা ভোট লেপকে খনবা, মিনিষ্টর, এম এল এ ওইরবশিংনসু কা হেন্না শেল থানরি।

হৌজিক্কী মতমগী লুহোংবগী ফিজং কর্নাট, সেমিয়ানা, কার্পেট, চৌক্রি, মৈ অসিনচিংবা দেকোরেসন, লৈশাবীনা চানবা বোক্স, পেকেট, অওং-অউন চাউবা, উৎসবকী এঙ্গাং মথেল য়ান্বা, ভাবোক, পালাদা শেল চাওনা থাবা, থবক লৌবগী শেল পীবা অসিনচিংবা কয়া অসি শেল পায়বা ইনাক খুনবা কাঙবুশিংনা হান্না হৌদোক্লম্বা ওইরমগনি খল্লি। ইনাক খুনবা শেল পায়বা কাঙবুশিংনা তৌথোরকপদা থাগৎনীংবা খরনা ষ্টেটসিগী লাইরিক লাইশু হৈরবা, থবক ফংদবা কাঙবুশিংগীদমক খল্লগা প্রাইভেট স্কুল লিংবা, ব্রিক ফিল্ড লিংবা, হোস্পিটাল, ক্লিনিক লিংখৎপা, প্রাইভেট ফার্ম লিংখৎপা, প্রাইভেট বেঙ্ক লিংবা অসিনচিংবা কয়াগীদমক্তদি থাগৎনীংঙাই ওইব্রা খল্লি। মসি ইনাক খুনবা খরগী ৱাফমনি। শেল পায়বা লোইনমক্কী ৱাফম নত্তে। ভাবোক, পালাদা শেল থাগন্দবা, মশাগী মরল-মথুমদা পংলেপ্তা লেপশিনবা ইনাক খুনবসু লৈতবা ত্তে।

দেব-কর্ম্ম, থৌদোক ৱাথোক্তা মমাঙঙৈগী মতমদা চৎনরম্বা অদু হৌজিক্কী মতম (কোভিদ-১৯) দা চৎনরিবা অসিনা ফবা অমনা, মমাঙঙৈদা শোরাৎতা পালা ১৫/১৬, পুঙ য়াওরগা ১৭/১৮ লেপ্পরম্মী। লুহোংবদা পুঙ য়াওরগা পালা ৮ ফাও লেপ্পরম্মী। হৌজিক্তি শোরাৎ, লুহোংবা, যজ্ঞ্য অসিনচিংবা কয়াদা পুঙ অমা, পালা অনী, মোইবুং অমগনা শোরাৎ শোল্লগা অয়ুক্কী পুং ১২গী মমাঙদা লোইশিন্নরে। লুহোংবসু পুঙ অমা, ঈশৈ অনী পূন্না অহুম্না শক্ল-শোন্নরে। অদুবু অখঙ অহৈ, নাম শোনবা, ওজা-গুরুশিংনদি পালা মশীং শুদবা হায়বসি তৌহৈদে খল্লম্বসু য়াই।

অমরোমদা ভাবোক্তা শেল থাবা করিসু কায়দে হায়নৈ। মরমদি ভাবোক য়াওদ্রবদি ঈশৈ হৌবা য়াদে। ঈশৈ হৌবদগী লোইবা ফাওবা ভাবোক্তি লৈতবা য়াদে হায়নরীবনি। পুঙ-ঈশৈ, পালাদা শেল থাবীদ্রবদি, নাম শোনবা কাঙবুগী মচা-মশু কনানা শেন্বীগনি হায়নরিবনি। অরোইবদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি দেব-কর্ম্ম পাঙথোকপা মতমদা পালা মশীং য়ামদবা, পুং ১২গী মমাঙদা কর্ম্ম লোইশিনবা অসিনা লায়রবশিংগীদি ফব্রা খঞ্জে।

*অদোমগী - থিংবাইজম ইতোবী*
*তোপ অৱাং লৈকায়*

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-IX, MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 72/AS&SO-IX/2021**

Guruaribam Ritendrakumar Sharma S/o (L) Guruaribam Okendro Sharma of Brahmapur Guruaribam Leikai -Petitioner

-Vrs-

Guruaribam Okendro Sharma S/o Gokulchand Sharma of Brahmapur Guruaribam Leikai. -Opposite Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dt. 24/03/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং ৩৮- ৱাংখৈ পশ্চিম ব্রহ্মপুরগী পাট্টা অরিবা নম্বর ৮১, অনৌবা পাট্টা নং ১০৯, দাগ নং ২৬, এরিয়া ০.১০ একর চাওবা ইঙ্খোলগী লম অসি পিটিস্নরনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মাগী মমিংদা নামা ওনশিনবীয়ু হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মসিদা ইঙ্খোলগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানীংদবা য়াওরবদি পাউচে ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। নৎত্রবদি য়ারে হায়না লৌদুনা নামা ওনখ্রগনি, তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা অমুক তাররোই।

**Sd/-Assistant Survey & Settlement Officer-IX, Manipur**

HL-P/9390/25

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST**

**Ref :- Mut. Case No. 206/SDC/SLG/IE-2021 24/3/2021**

1. Thokchom Subol Meetei S/o (L) Th. Ngoubi Singh of Khundrakpam.
2. Thokchom Budha S/o (Late) Th. Ngoubi Singh of Khundrakpam.

(area of 0.06 acre on western side of Dag No. 1159) -Petitioners

-Vs-

1) Late Thokchom Ngoubi Singh S/o Late Th. Bokul Singh of Khundrakpam -Opposite Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Sagolmang, the 24th March 2021

Under Section-46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি ঈ:ঈ: তহশিল খুল নং 11-Khundrakpam পাট্টা নং 308 (অরিবা) 273 (অনৌবা) দাগ নং 1159 মোট এরিয়া 0.18 একর চাওবা ইঙ্খোলগী পাট্টাদার মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নর অসিনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা আপতি/ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector, Sagolmang, Imphal East**

HL-P/9391/25

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG**

Ref :- Mut. Case No. 278/SDC/WKG of 2021 Date 23/03/2021

App:- 1. Longjam Ibohal Meitei, S/o. (L) Thambou Meitei of Sugnu
2. -do- Nageshwor Meitei, S/o. (L) -do- of -do-
3. -do- Angouba Meitei, S/o. (L) -do- of -do-

-Vs-

Opp:- (Late) Longjam Thambou Singh, S/o. (L) Shajou Singh of Sugnu

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dated, 23rd March, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ৱাইখোং তহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ৯১-শুগনু পাট্টা নং ৫৩/১৪৫১, দাগ নং ২১৩৭, এরিয়া .৩৫ একর চাউবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমীংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector, Waikhong**

HL-P/9143/25

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST, MANIPUR**

**Ref :- Mutation Case No. 207/SDC/SLG/IE-2021 Dt. 24/03/2021**

Khwairakpam Ranjana Devi, W/o. (L) Irom Budhi Singh of Singjamei Waikhom Leikai - Petitioner

-Vrs-

Late Irom Apabi Singh, S/o. Late Chandrahas Singh of Singjamei Waikhom Leikai -Opposite Parties

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Sagolmang, the 24th March, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি ই: ও: তহশিল খুল নং ১৮-উয়ুমপোক পাট্টা নং ৩৭ (অরিবা) ৩৭৫ (অনৌবা), দাগ নং ১২৩৬, মোট এরিয়া ০.৭৬ একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নর অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃতু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি (ওবজেক্সন) তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা অপতি/ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East

HL-P/9391/25

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।